ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯴, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, ফেব্রুৱারী ০৪, ২০১৭, ইম্ফাল

৪০ শুবা চহী, ২৯৮ শুবা মশীং

# ষ্টেটকী এগ্রিকলচর পোলিসি

## *চীঙ্গাক্তা মীপাল তাংদবা ষ্টেট ওইহন্নবা হোৎনসি*

***মণিপুরনা*** ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈদা ইশাগী পোখোক্লা লেম-পানা চাবা কোন্নজরম্মী হায়বসি পুৱারীগী লাতমদা য়াওবদা নত্তনা হৌজিক হৌজিক্কী মীরোলনা খঙহৌ উহৌবা ঙাক্তনি। তেল্লবা চহী ৬০/৭০ সিগী মনুংদা কমদৌনা মণিপুরীশিংনা মশাগী পোখোক-চাথোক্লা শীজিন্নবা কোন্নরক্তবনো হায়বসি থিদোক্লগা অশোয়বা লৈরম্লগদি মদু চুমথোক্তুনা লৌশিংগী পুক্কে ওন্থোক্লগা মায় পাকপা পুন্সিরোল অমদা চঙশিনবা ঙমগনি। মরম অদুনা মণিপুরনা মতৌ কমদৌনা মশাগী পোখোক্লা চাবা কোন্নদ্রিবনো অমসুং কমদৌনা চাবা কোন্নগদগে হায়বসি থিজিন-হুমজিনবগী মতম য়ৌরে। কুম খুদিংগী ঈশিং চাউবা, ঈরম-খোংলম ফত্তবনা মরম ওইরদুনা তুমাইবু অফবা, চাথোক লৈবা ফৌনি হায়না থানরিঙৈ মতমদা চাবা-থকপা ৱাৎলমদে। মসিগীসু মথক্তা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা লৌউ-শিংউবসু নত্তবা, মতমসিগী চাথোক লৈবা ফৌসু থাদ্রিঙৈ মতমদা কমদৌনা চাবা কোন্নরগা হৌজিক্লা করিগী চাবা কোন্নদ্রিবনো হায়বসিগী মরু ওইবা মরম ঐখোয়না পুথোকপা তাই। অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লবগী মতুং ইন্নদি ঐখোয়গী পোখোক্লা চাবা কোন্নরক্ত্রিবসিগী মরম লৌ উবা য়াবা লম নোংমা-নোংমগী মাঙশিল্লকপা, খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাউগুম্না চাবীনবা, থকপীনবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা, শূবী-নোম্বীনবা মী লৈশিল্লক্তবা অমসুং মতমসিগী টেক্নোলোজিগী পাম্বৈনা ফৌথোক হেনগৎননবা হোৎনবা ৱাৎহৌবদগীনি হায়নৈ। মণিপুর লৈঙাক্লা লৌ উবা য়াবা লম কন্ননবা থৌশিল অমা শেমখ্রে। থৌশিল অদুগী মতুং ইন্না লৌ উবা য়াবা মফমশিং কনবা ঙম্লগনি হায়না লৌজরবসু হৌজিক্তি শেমখিবা থৌশিল অদু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদে। শেমখিবা থৌশিল অদু উপু মনুংদা নমশিন্দুনা থমগদবা ওইরগদি ষ্টেট অসিগী লৌ উবা য়াবা লম ঙাক্তুনা থম্নবা চূনবা মখলগী লো অমত্তা শেমদে হায়বদা কদায়দা লানগনি।

পোখোক পুথোকপা হায়বসিমক্তবু লৌমী মথৌ তারকই। মতম অমদা য়ুম অমদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক লৌবূক্তা কুমদুনা লৌরাং শূই। হৌজিক্তি ইমুং অমদা মীওই অমা লৌবূক্তা কুম্লগা থবক শূই হায়বসি সহরগী মনুংদদি য়াম্না তাংনা থোক্লে। মসিগীসু মথক্তা লৌউ-শিংউবা হায়বসিমক্তবু ঈশিং চঙই। লৌফম খুদিংদা লৌমীশিংনা অপাম্বা মতমদা ঈশিং ফংহনবা, পামদবা মতমদা ঈশিং ফংহন্নবা থৌশিল শেম্বা চঙই। মণিপুরদদি মিনিষ্টরশিংদা পীবা পোর্টফোলিওসু মওং চুম্না পীদে। আই এফ সি দি হায়রগা শেনয়াম থাদরগা তুরেলগী লৌনম্বাল শেম্বা, তুরেলগী তোর্বান কায়রকপা মতমদা মেনশিন্নবা লৈবা দিপার্টমেন্ট ওইনা উই। তশেংনমক্তী ইরিগেশন হায়বা ৱাহৈ অসিগী মথৌ মঙম নীংথিনা দিপার্টমেন্ট অসিনা তৌদে। অচৌ অচৌবা প্রোজেক্টশিংদগী ঈথৈ-লৌখোংদা পুরক্লগা অপীক অপীকপা খোঙলমশিংদা ঈশিং পীবগী থবক্তা মাইনর ইরিগেসন (এম আই) অমসুং কমান্দ এরিয়া দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (কাদা)গী থৌদাং চাউনা লৈ। হায়রিবা অপীকপা দিপার্টমেন্ট অনী অসি এগ্রিকলচর মিনিষ্টরদা পুন্না পুহল্লবদি লৌবুক্তা ঈশিং ফংহনবগী থৌশিল শেম্বদা হেন্না নুংঙাইগনি। অদুবু এম আই অমসুং কাদা হায়বসি ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টমখৈ পুনশিনবরোমদা চৎখ্রে। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী থৱায় হাপকদৌরিবনি হায়বা কাওথোকখ্রে। মসিগীসু মথক্তা ষ্টেট অসিগী বজেট শেম্বদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট হায়বসি ষ্টেট অসিদা লৈবা মীওই লাখ ১৫ রোমগা নকশিন্নবা মরী লৈনৈ হায়বসি কাওথোকই। লায়রবা মীয়ামদা থবক পীবা য়াবা দিপার্টমেন্টনি হায়বসু নিংশিংদ্রে। মমিংতগী ওইনা বজেটতা শেল হাপ্পী। শেল হাপ্লিবা মওং মতৌ অসিগী হায়রুরগদি মেজর দিপার্টমেন্টনিবু হায়বা তল্লক্লে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মতীক চাবা শেনফম ষ্টেট বজেটতা হাপ্লগা থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংবু লৌবুক্তা পুথরগা থবক শূহনসি। কুম অমগী মনুংদা থা তরুক অহাংবা লম্মাং ওইনা থল্লিবসি অশংবা লৌবূক লম্মাং ওন্থোকপা ঙম্লবদি চাবা-থকপদা মীপাল তাংদবা ষ্টেট অমা ওইহনবা ঙমগনি। মতীং লৈবা লৈঙাক অমগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা থৌশিল শেমদুনা কুমজা ২০২০ ফাওবগী মনুংদা চীঙ্গাক্তা মীপাল তাংদবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা হোৎনসি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪২

১। ‘ৱাথোকচাও’ ৱারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?

২। ‘গুলাপ্তুগী মখোঙদা’ উপন্যাস অসি কনানা ইবনো?

৩। ‘ইমাগীদমক’ কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অসিগী অইবীদু কনানো?

৪। ‘কমলাকান্তগী কোর্বেক’ হায়না বেঙ্গলীদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫। ‘খাগী লৈবাক য়ুনান’ লমকোয়ৱারী অসিগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪১ গী পাউখুম মঙামক চুম্না থাবীরকখিবদি**

১। সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায় (৫)

২। সী ঐচ সুরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার (৫)

*৩। কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল* (৫)

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৪১ গী ৱিন্নর**

*কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল*

**লিটরেরি ক্যুইজ ৪০, ৪১ গী খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

ফেব্রুৱারী ০৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪১ গী পাউখুম

১। জি সী তোংব্রানা একাদেমী এৱার্দ ফংখিবদু করি লাইরিক্তনো?
ঃ- ঙাবোংখাউ

২। ‘বরুৱাগী চিঠী’ ৱারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?
ঃ- আই বসন্ত

৩। ‘লাই মথা শারি’ শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবীদু কনানো?
ঃ- অখোম য়ান্দিবালা

৪। গিরিশ কানার্দকী ‘যযাতি’ হিন্দীদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
ঃ- সৌগাইজম নবচন্দ্র সিংহ

৫। ‘মালেমদা তোমথিন ঙাল্লিবী বহারাইন’ লমকোয় ৱারী অসিগী অইবদু কনানো? ঃ- য়েংখোম কে বি

# মীখলগী চাক মফম থিবা চৎলে ঐ

**ৱাইরু ৱাইরুবদা হোঙবা**




***হৌজিক*** অসি ইকনমিক ব্লোকেদ অসি নত্তনা য়াম ঈংনা তপ্না পাল্লবা ইরমদম অমা ওইরে। অমরোমদা ইকনমিক ব্লোকেদ অসিসু শুপ্নগী পেট্রোল তাঙবা অসি নত্তনা ইৱা ৱানদবদৌনা তৌরি। ফংদবা খোৎতবা পোৎ চৈ অমত্তা লৈতে হায়বা য়াই। মমল তাঙনা ফংবগীদি খঙদ্রে। পোৎকীদি লৈতে হায়বা ইরৈবু লৈতে। পেট্রোল অসি রেদিও অমদি পাউচেদা লৈত্রে লৈত্রেদা হায় আই ও সীনদি, থোঙ্গাল খুদিংগী পেট্রোল ঙাক্তা ঙায়রে। সিবু লৈত্রিবা হায়বদুরা? লৈত্রগদি লৈরনুদনা... শেল পায়বা মণিপুরনি, পেট্রোল লিটরদা লুপা ৩০০ দা ব্লেক্তা ফংবদু য়ারে খন্নে, লৈঙাক্তসু ৱাকৎনরুদে, লৈঙাক্লসু থোইনা থৌ অমা ওইনা থিগৎপসু লৈতে। পেট্রোল অসি পম্পতা তুংদ্রে, থোঙ্গাল থোঙ্গালদা ওইনা পেট্রোল লীক্লি কয়ানা ইমোইনুগী খোইরু থাউমৈ পরেং খিনবগুম খিন্দুনা লৈরে। সিগুম্বগাসিসু পেট্রোল মরাং কায়না ফংবগী খুদম ওইরোইদ্রা অসিনি য়াম কন্না হংবা য়ারিসি। মণিপুরদা পেট্রোলিয়ম প্রদক্ট ফংবা লৈতে। লৈনুংদা পেট্রোলিয়ম লৈব্রা হায়না চহী খরগী মমাঙদা চীংগী লমদা থিজিনবা হৌখ্রে হায়বা তাখি, অদুসু থিংজিনখিবা মাল্লি, থবক মখা শমথখিবা মাল্লি, থোইদোক্লা পেট্রোলিয়মগী থবক অসি মণিপুরদা অমত্তা থোক্ত্রিবনি। অদুগা মতৌ করম্না মফম কদায়দা থোক্তুনা ফংদুনা ঐখোয়গী ইম্ফালদা থাউ মরাং কায়না থোঙ্গালগী লৈতেং ওইনা য়োল্লিবনো হায়বসিনি। কম্মর্সিয়েল জিওগ্রাফি নৈনবা ওজাশিং, ইকোনোমিষ্ট ময়ামনা অমুক্তা হায়বিয়ু, হৌজিক হৌজিক ইম্ফালদা মমল ৱাংনা ঈচাও থোক্তুনা লৈরিবা পেট্রোল ময়াম অসি মণিপুরগী করম্বা ওইল রিফাইনরি অমদগী থাদোরকপা থাউনো হায়বদু। উরিবা ফীভম অসি য়েংলগদি মণিপুরদা পেট্রোল ৱাৎতে হায়বনি, মণিপুরদা পেট্রোলিয়ম ফংলে অদুগা ওইল রিফাইনরি ময়াম অমা লৈরে হায়না হায়বনি। মসিদা থোইদোক্লা য়েৎননিংঙাই ওইদ্রে। মসি ফজনা শেমগৎপীরগা, ইরান, ইরাক, কুৱেট লৈবাকশিংদৌনা, আরব লৈবাকশিংদৌনা ৱর্ল্ড মার্কেটতা মণিপুরদগী পেট্রোলিয়ম নৎত্রগা পেট্রোলিয়ম প্রদক্ট থাদোকপীরো হায়দনা মরী লৈনবশিংগী মফমদা থম্মোয় শেংনা হায়জনীংই। মদুম তৌরবদি ঐখোয়গী শোৎথৈ হায়দুনা য়াম কন্না লাউনরিবা মণিপুর অসিসু চাওখৎপা য়াম্না থুগনি হায়বা অসিনি।

থা অহুম হেন্না ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবদা মণিপুর তম্না তুমিৎ কাঙ ফাওবা পাইশিনবা য়াদ্রবা, লম্বী ঙাক শেনগদৌরিবা সেক্যুরিটি পার্সনেল কয়া ফাওবা য়ু এন সীদা হায়জরগা চৎচবগা নৎত্রবদি লম্বী লাল্লগা চৎপা ঙমদ্রবা মতম অসিদা অসুক মরাং কায়না ফংলিবা পেট্রোল অসি মণিপুরদা তশেংনা থোকপা নৎতনা মসি কদাইদগী ওইনি হায়বগে? লোইবা নাইদে পঙপুদা পুথোরকই, পঙপুদা অদুম পুথোরকই। থা অহুম অসিগী মনুংদা ঐনা অনীরকখক ওইল পম্পতগী থাউ হাল্লি, ঐ হায়রা শেল অসুক য়াম্না ৱাৎতমখৈ পায়রিবনি, থাউ হায়রা থোঙ্গাল থোঙ্গাল খুদিংদগী ইকোম কোম্না কোম্না হেক্তা হানতোকপনিদনা, মপা কনানা মোদোল্লে চিল্লদগে হায়দনা। অমুক্কা হঞ্জিন্না হায়জরবদা মমল ৱাংনা পীগেবু হায়রবা ফংদবা পোৎ অমত্তা হেক য়াওদে। অসুম অসুম্না নিংদোন পোম্বা ময়াম অসি হৌজিক্তি ঐসু লোইনা কাউখ্রে। মীখল মতম য়ৌরকপনরা খঙদে ইশাসে চাক চাননীংবা, য়ু থক্লিংলকপগুম্বা, মীরেপ্তুগী শেল লৌনীংলকপগী ৱাখল ওইনা ফাওরে। নহানমখৈ ঐনা লাউনীংলম্বা, হায়নীংলম্বা, চৈনীংলম্বা ময়াম অদু লোইনমক শুরু শুরু তুমখ্রে হৌজিক্তি। শেঞ্জা থুমজা তৌরে, অদু চৎনহল্লু, অদু লৌথোকউ, অদু ওলহনবীয়ু, অদু শেম্বীয়ু কায়না হায়রম্বা ময়ামদু অমত্তা হায়নীংখিদ্রে। ঐ অসি য়াম শাথিনা থামায়খিবদৌনা তৌশিল্লক্লে। মীখল মতম অসিদা কেন্দিদেট পূম্নমক লোইনা নুংশিনরক্লে, পোলিটিকেল পার্টি লৈরিবা পূম্নমক নুংশিরক্লে, লৈঙাক্কী অশোয়বা লোয়না কাউখ্রে, খ্বাইদগী পুকফবা পুকচাউবা হায়দু ওন্থোরক্লে। মোমোন মোমোন নোক্লা হেন্দ শেক তৌরগা নুংঙাইজরে। পেন্দবা অমত্তা লৈজদ্রে। মথংগী গভর্ণমেন্ট অদুসু হামু হামু ওইবা থোইদোক্লা অহোংবা লৈতবা অমা ওইরসনু ককাইনা হায়জনীংলক্লে। মীখল মতমদা উচি মকোলদা চঙদুনা অমুক লৈজবা তারে, ময়ামগী মতুং অমুক ইন্দুনা, ঐ মীখলগী চাক লৈব্রা থিরু তারি।

# হামেং ৱায়নরগা ষণ ৱায়নবগুম উবা

**নবকুমার ওইনা**

**খুন্নাই** অসি য়েংবদা ঐখোয় পূম্নমক্লা উনরিবসি মিৎয়েং খেন্নবগী তোঙান তোঙান উনরি। মানা মানা হায়বদুনা চুম্মী, যূম্বীনি-হুম্মাইনি য়েৎনরি। পূন্না য়েংবা হৈববু কয়া য়াম্না য়াওবগে, কয়া য়াম্না হৈরবগে? খেন্নবা ময়ামসিগী মান্নবা পুথোকপগী মহুত্তা মান্নবা ময়ামসিগী খেন্নবা শাগৎনদুনা লৈরি। য়োৎচাবীগুম চিংশিন্নবগী মহুত্তা য়োৎচাবিগুম ইন্থোক্লরি। মায়ওন্দং ওন্থোক্লবদা অমত্তা ওইগদৌরিবনি। মায় ওন্থোক ওনশিন তৌবা হৈতবসি মিৎ তাংবগা মান্নরক্কদৌরিবনি।

মঙক কনবশিংগী মায়ওন লোয়নমক চুমগনি হায়বা লৈতে। কোয়না লৈদুনা য়েংবা হৈত্রগা মশামক কোয়চোঙ চোঙদুনা য়েংবা হায়বসি লমদম অসিগী চৎনবী ওইরক্লি। পার্টি চোঙথোক চোঙশিন তৌনরিবসিদি মীগী মীগী ভোট লেপ্পা য়ানবগী সিষ্টেম ওইরক্লবনি। মীওইশিং অসিগী ফবা-ফত্তবা হায়বা নৈনফম থোক্তে, পাম্বগী লেপ্পা ভোটনি। মীহুৎ খনবদি মীয়ামগী খূত্তা লৈবনি। পোৎ খনবদদি ময়ামদগী খনবনা হেন্না নুংঙাইবগুম লৌনবা, মীহুৎ খনবদনা কেন্দিদেট য়াম্বা য়াদে হায়বা লৈতে। খনগদৌরিবসু মীয়াম্ননি, চুম্না খনবা হৈবা তারকপদুনি, খনবা হৈত্রগা মীঙোন্দা তায়নবশু লাল্লি। সেক্রেৎনি।

হৌখিবা চহী লিশীং অমসিদা ঐখোয়না তৌবা করম্বা অচুম্বা থবক য়াওখ্রবগে? ইশা ঙাকথোকপা ঙমজদবা, ইঙ্খোলদা চঙবা শগোল তান্থোকখিববু থবক্লি হায়না লৌবা তাবরা। ৱাইখু চিক্লবগুম চিংথনরগা লাঞ্জাও ওইনা লৌনবা, অপূনবা লাঞ্জং হায়বা লৈরক্তবা মতৌসিদা ঐখোয় ময়াম্না পূন্না লৌবা করম্বা ৱায়েল য়াওখ্রবগে? লৈবাক্কী থৌগায় পুগনি হায়রিবশিংদা মীয়াম্না হায়বদা হায়বা য়াবা হায়নরে, ঙাঙবা য়াবা ঙাঙনরে। মখোয় মশেলসু হুন্নবা য়াবা হুন্নরে। মসিবু থবক্লা, খুনু কাওনবা, য়েন কাওনবা হায়বসি কুম্হৌনি। কনা অমনা পৈশা থানরগা শেন্দান লম্বী ওইনরিবনি। লৈবাক শেম্বগী থৌদাং লৌনদ্রিবগুম্বনি।

লৈশৌগুম্না, ককচেংগুম্না মাগী মাগী থবক কন্নরি হায়না লৌনবগী ৱানি। লৈপুং অমা থোনবা, উজাউ অমা ইন্থুবা ঙম্বগী ৱারী লৈবা নৎত্রি। মীগী য়ূমগী মচি ময়াদা লৈশৌ শৌবগুম মীচৈ চাবগী থাক্তা হন্থনরক্লি। মী ওইনা পূন্না লৈমিন্নবগী লৌশিং শাগৎনবগী মহুত্তা মীনাই মশেল খৎনরকপগুম য়ূম্বুগী শুন্মাংদা পুল্লাং লাংবা ঙম্নরক্লি। লাইরিক লাইশু তম্বনা কান্নবা পীবগী মহুত্তা খৎনফম থিবদা মচাক-মথুম হুনবগুম থোক্লরে। মহৈরোয়শিং খৎননবগী লূপ শাগৎনবগুম উরক্লে। মখোয় মশেল পূনবা য়ানরক্তরে। অহল পান্দ্রে, অহলশিংসু নিষাদা ঙাওনরে, অপূনবগী ৱারেপ অমা লৌবদি ঙম্নদ্রে। লুরিবদি অহল মৱা লৌনদ্রে, মৱা লৌবা য়াবা অহলশিংবু ইউ-উদ্রে। রুসিয়াগী পুটিন মানবা শাজৎ চৎপা কনা য়াওরবগে? জপান্দসু ময়ূম হোংবা য়াদবা অহলশিং ঈথৎ অমদা লৈঙাক্লা থাক্তুনা থম্নরি। লমদম অসিদনা মীয়ামসি কোয়তান তান্থোক্লি। পৈশা পীরগা ময়ূম তান্থোকপা, মৈ থারগা তান্থোকপা, নোংমৈনা কাপশিনবা ময়াম, মীয়াম মরকসিদা লমহাং উবা য়াদবা, য়ূম তাশিনবা, চয়াম পোকশিনবা তোকপা ঙম্নদ্রি। মী মরক্তা শাগৈ জাৎকী লমজেল তোকপা উম্নদ্রি। লম মুন্নরি, মিং মুন্নরি, মিংচৎ মুন্নরি, পুৱারী মুন্নরি, লৈবাক মুন্নরি। অমেরিকাদা মীতোপ চঙবা থিংলক্লে, লমদম অসিদদি থিংবীনবা মী লৈত্রি, ৱারেপ লৌবা ঙম্নদ্রি। মপু লৈতবা য়ূমগী ৱারেপ হায়বা লৈফম থোক্তে। পূম্নমক অসিগী মরক্তা তাকপীবা ঙম্বা, তম্বীবা ঙম্বা ওজা হায়বা লৈত্রে। ওজা হায়বসি অপঙবা হুরানবা ওইনা উনরক্লে। লৈঙাক্তা কৃষ্ণ শানরক্লে, লৈমায় অসিগী ৱারী কাউনরক্লে। মুক্লবা, কাওনবা য়েৎনবা, মুন্নবা, নমথনবা, হুরান্নবা ময়ামসিনা লৈবাক অমা ফনবা শেমগৎলিবনি হায়বদি য়ারোই। মীওইবগী খুন্নাই অমগী মতৌ তম্বা ঙম্নরক্ত্রে। কনবা ঙমজদবদগী তম্পাক্কী লমদমদি কাঙলুপ অমগীনি হায়বা লৈরক্তরে, য়ূমফম খুনফম অমদা পেন্থোক্তুনা লৈনখ্রে। পুৱারীগী মমিংদা পৈশা তান্নফম ওইনদুনা লৈনখ্রে, থিকা তৌনখ্রে। কোয়শিল্লক্লিবা লাং ময়ামদি খঙবা ঙমদনা লুপশিনখ্রে। পূম্নমক পৈশাদা পৈশাগী পুন্সি মাল্লকখ্রে।

নাটতা য়েংই মুৎলবগুম্বনি, হিংনবা হোৎনবগী ৱাতনি, মপূং ফানা হিংলবা নৎত্রি, চয়ান-খয়ান্নি, শামরক-ঙামরকনি। কন্নবা হোৎনরি হায়বসি খৎনরি হায়বা মাল্লক্লি, তাক্লরি, হৈনদ্রি। ঙসিগী লাইনীং হায়বসিদা ঐখোয়না থাজনরিবসি মালেমগী মফমশিংদা থাজনরিবা অসিগী থাক য়ৌনা হিংবদা নকুবা মাল্লবসু হিংবদা কান্নবা পীবদি ঙমদ্রি হায়বা য়ারি। কনা অমগীনা চুম্না লানবা খঙদে লূপকী কান্নবা পীবদুনি হায়না শিবা ঙম্নরি। লমদম অসিগীনা য়োনবা ঙম্নরি, অতোপ্পা লাইনীংদা থৱায় য়াওবা হেন্নরক্লি। মসিনা তাক্লিবসি লাইনীংগী ৱা নত্তবদা খোইদৌ থেনবা উৎপনি, কৌশিঙ-কৌরাগুম্না তাওথরকপনি। লৈবাক অমগী লুচিংবা ওইরিবনি হায়রিবশিংনা মথোং খঙলক্তবগী ৱারৌনরকপদা ক্লাক্লা ৱাহোং মতু থেৎপনি হায়নরক্লবনি, মশানসু ৱাহোংনি-ক্লাক্লি খঙবা নৎত্রি। মীখলগী পার্টি হোংবসি জাৎ হোংবা ময়াম য়াওনরিবগীরা? করিবু লুম্না লৌনরিবগে? দিল্লিদা মখোঙ হান্বা চৎপনি হায়বা ফাওবা হায়নরে। পেন্দবা ফোঙদোকপনি, চৈনবনি-ঙাঙনরিবনি হায়বসিগী মথক্তা লমদম অসিগী মীয়ামগী লুচিংবশিংগী থাক অমা য়েকপগী শক্তম অদুনি হায়না য়েংবসু য়ারিবনি। শাউনগদৌবা নত্তে, শেম্নদোক্লগদৌবদুগী থৌওং অমা উৎনরকপনি হায়না লৌনফম থোকই। অহোংবা অমদা পুরকপা ঙমদ্রবদি য়োৎশু-উশু পূন্না তাওথমিন্নখিবা তাবনি। কাঙলুপ-ফুরুপকী মিংদা য়োত্তা য়োৎকুম্না অকল অরিং শিংনরিবা, লাইনীংগী মমিংদা কাঙলুপ শাগৎনরগা নিরগা চাগনি হায়বসি ওইথোক্লরোইদৌবা পুন্সি মরেল অমনি। কাঙলুপকী মিংদা মঙলান শাগৎনবনি, শুদনা চাগনি, মুল্লগা লৌগনি হায়বসি মী মাল্লক্তবা থায়নগী উমংদা অমুক হঞ্জিনবগী ৱাফম লাক্কদৌরি। মিৎ পাঙঙু য়ানদবা তূম্বা মাল্লক্কদৌরিবনি। ফি নানবা, কার তোংবনা লাইনীং মাল্লক্লবা, মীয়ামগী লুচিংবশিংনা করম্বা লাই নীংবনো খঙবা ৱানরক্লে। মখোয় মশামক লাই হায়বদু ওইখরে, মখোয়বু নীংনরে। মী শেম্বা, লম্বী শেম্বা, লৈবাক শেম্বা মখোয়না ওইরক্লে। তুং ইনবীনবা মীয়াম লৈরে, মখোয়গী লাইনীং শন্দোক্লবা মী লৈরে, মখোয়গী লাইনীংগী লাইরিক লৈরে, অরোনবসু লৈরে, মী হাৎপসু ঙমলে।

লৈঙাকপশিং খৎনদে হায়বা য়াখিরোই। শা-ষণগুম্না ৱায়নদে হায়বা য়ারোই। লম কন্নরি, লোক অমদা কৈ অনী কুন্নবা য়াদে, পার্টি অমদা ভোট লেপকদৌবা অনী লৈবা য়াদে, পার্টি অমদগী মীরেপ অনী থাদোকপা লৈনদে। ষ্টেট ইলেক্সন্না এম পি ইলেক্সনগা খেন্নরি। মরু ওইরিবনা এম পিনি কুম্হৌ ওইরিবনা এসেমব্লিগী ইলেক্সননি। করি লৈবগী খেন্নরিবা? ৱাখল পীকপগী মান্দে, পৈশা থোকপা থবক্লা হকথেংনবা, পৈশাদা থৱায় য়াওনবগী ওইফম থোকই। লৈবাক শেম্বগীনি হায়না খুম্নরবসু মীয়াম্না য়াবা ঙম্নরোই। কল্লক-কঞ্জাওবা মীয়াম্না ওইবা ঙমজদবদগী মিনিষ্টর ওইদবনি হায়না থাজদুনা লৈথোকই। লৈবাক শেম্বা ঙল্লিবসি মীয়াম্নী হায়বসি মীয়াম্না খঙনদ্রিবা মাল্লি। মদুমক্লা ভোটপু মেজিক শান্নবগুম শান্নবা ঙল্লিবা মীওইশিংগীদি মতোন থোকপা হায়বদু ওইরিবনি।

ভোটতা লাংলিবসি ভোটপু লাইনীং ওইবা ভোট লেপ্লিবা মীওই খরদুগী তুং ইল্লিবশিং ওইফম থোকই। ঈরাং থোক্লিবসি লৈবাক শেম্বগী নত্তে, ভোট কানবখক্তগীনি। ভোট কারগা লৈবাক্কী করি তৌগদৌবনো হায়বদুদি খঙবা মান্দে, কারবশিংসু লৈবাক্কী ৱা খঙদবগী ৱাথোক ওইনরিবনি। খৎনরিবা, ৱাইনরিবা ময়ামসি মীয়াম য়াওরবসু লৈঙাক য়াওরিবশিংনা করিসু নাচুংবা মান্নরি। পুলিস খরা থাদোক্লগা তানখায়গনি, রেল্লি থুগায়গনি, ৱা তারোই, থবক তৌরোই। অদুদি ৱায়নখিবদু হয়েং ৱায়নবগুম্বনি, থবক নত্তে কুম্হৌনি। পঙগে পঙউ, শিংগে শিংঙু খৎনরবসু খামদোকপা য়াদনা লৈনাং তাবমখৈ ৱায়নবা ঙম্বা কনাসু য়াওদ্রে। খৎনবসি থায়নগীনি হায়রগা নান্থোক্লদুনা লৈরে। য়ূমদগী মপান থোকপা ঙম্নরক্তরে। মসি য়ৌরবা ফাওবা মীওইবনি, অৱাংবা থাক্কী মহৈ হৈরবনি হায়বগী অহাওবা চাবা ঐখোয়নি, ফমজাও পায়বা ঐখোয়গী, পৈশা পায়বা (হুরাল্লগা) ঐখোয়নি, নম্ফু কনবা ঐখোয়নি, লৈঙাক পায়বা ঐখোয়নি। মীয়াম্না য়াবা, মীয়াম্না পৈশা পীশিনফম ওইরিবনি হায়বগী নাপলগী পুন্সি অমদা হিংনবা য়াওরক্লে। লৈবাক্তি মিৎকুপ খুদিংগী লুপথরক্লি। হায়না হায়না থাজনদে, ৱাখলগা থবক্কা চানবা ঙমদে, খুদুং ইনবদা কোক কায়নরি, পৱার মুন্নবগী লান্দা লৈবাক খুন্নাইগী লান নীংশিংদে। মীয়াম অমগী পূন্না ৱা তান্নফম লৈশিল্লক্ত্রবসু মীয়ামসি কঙাউনরক্লি। থবক অমা ওইনা লৌনবা মাল্লক্লবসু থবক তাবা ঙম্নদ্রে। চনিং তানা খন্থুবা ৱাৎপী ওইরিবরা, কাংলোন চুমদবগীরা, মী ওন্নবগীরা, খোঙথাং চুম্না থাংবা ঙমদ্রবরা, চিংনবনা পিক থল্লক্লে।

ঐনা ঐনা তৌরিবা থবকসি লিলা মান্নবা, অচৌবা ৱাথোক ওইনবা হোৎনবগী মহুত্তা লৈবাক্কী ৱা ওইনবা হোৎনরবদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি মীয়াম্না খঙনরক্কনি খল্লি। ভোট লেপ্পা য়ানবা লাংশিন্নবনা লৈবাক্কী ৱাখল খল্লবনি হায়বদি মীয়াম্না য়ানরক্তবা য়াওরক্কনি, পার্টিগী ৱায়নবা খুদিং লৈবাক্কী ৱায়বনি হায়বদি য়ারোই।